

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, APRIL 17, 2018 **PAGE 7**

*মতম শাংনা নুপাগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান ওইদুনা লাকখ্রবা মশা শোকপদগী মরুওইবা টুর্নামেন্ট কয়া শরুক যাবা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং মোন্টে কার্লো ক্লে কোর্ট এটিপি মাষ্টর্সতা শরুক য়াগদৌরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

*ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগে ৱানগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মোনাকোবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীদুনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা আর্জেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়া*

## ২১শুবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা মেডল ৬৬ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোইশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা শেলগী মনা লাওথোক্লুরক্লি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী টিম্না পুন্না মেডল ৬৬ ফংদুনা য়ুম্বু ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী মথংদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদা মেডল লৌবা ঙমখিবা শান্নরোইশিংদা মখোয়-মখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক্লা শেলগী মতেং পীগনি হায়না লাওথোরক্লি।



*কম্মনৱেল্ঠ গেমস লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লৈবাক অসিগী ফ্লেগ পাইহনবা*

গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা গোল্ড মেডল ফংখিবী মণিপুর ষ্টেটকী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুদা মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লা লুপা লাখ ১৫ গী শেলগী মনা পীগনি হায়না লাওথোকখি।

ৱাফম অদু কম্মনৱেল্ঠ গেমস অসিগী নীনিশুবা নুমিৎতা অতোপ্পা নুপীগী ৱেঠলিফটর মণিপুরদগী হৌখিবী খুমুকচম সঞ্জিতা চনুনা গোল্ড ফংখিবা নুমিৎ অদুদা মণিপুর লৈঙাক্লা মহাক অমসুং মিরাবাইদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ১৫। ১৫ পীরগনি হায়না খঙহনখিবনি।

মরক অসিদা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখিবা সুট্টিংগী দিসিপ্লিনগী অনুস ভনৱালা অমসুং টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনগী নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং নুপীগী টিমদা গোল্ড মেডল ফংখিবদা নত্তনা মখা তাবা মশান্না অসিগী মিক্স দবলস অমসুং ৱুমেন্স দবলসতা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংদুনা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মেডল ফংবা ঙমখিবী মনিকা বত্রদা মখোয়গী ষ্টেট (হরিয়ানা) লৈঙাক্লা লুপা লাখ ৭৫ । ৭৫ পীগনি হায়না লাওথোকখি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী হরিয়া ষ্টেটতগী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্ঠ গেমস অসিদা এঠলিট ৩৮ শরুক য়াখি। ষ্টেট অদুগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনিল ভিজনা ঙরাং অথেংবদা লাওথোকখিবদা ষ্টেট অদুগী কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা শরুক য়াখিবা এঠলিটশিংগী মনুংদা ভনৱালা অমসুং মনু ভাকরদা শেলগী মনা পীখ্রবা মতুং গোল্ড মেডল ফংবা শান্নরোই খুদিংমক ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্কী এ ক্লাসকী থাক্তা থবক পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিলভর ফংলকপা শান্নরোইশিংনা বি ক্লাসকী লৈঙাক্কী থবক পীগনি হায়বগা লোয়নননা ব্রোঞ্জ ফংলকপা শান্নরোইশিংগী ওইনসু লৈঙাক অদুগী সি ক্লাসকী থবক খাক্তুনা থম্লি হায়খি।

অতোপ্পা পাও অমদা তামিল নাদু লৈঙাক্লা গোল্ড কোষ্টকী কম্মনৱেল্ঠ গেমস অদুদা ষ্টেট অদুদগী হৌখিবা শান্নরোইশিংগী শেলগী মনা লাওথোকখি। ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর পালানিস্বামীনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদগী হৌখিবী নুপীগী স্কৱাস শান্নরোই দিপিকা পালিকরদা মহাক্লা কম্মনৱেল্ঠ গেমস অদুদা সিলভর মেডল ২ ফংলকপদগীদমক লুপা লাখ ৬০ গী ইন্সেনটিভ পীগনি হায়না লাওথোকখি।

পালানিস্বামীনা মখা তানা লাওথোকখিবা শেলগী ইন্সেনটিভতা সিলভর মেডল অমমম ফংখিবা স্কৱাসকী জোস্না চিনাপ্পা অমসুং সৌরভ ঘোসালদা লুপা লাখ ৩০। ৩০ মতেং ফংগদৌরি।

টেবল টেন্নিস মশান্নগী ওইনা ষ্টেট অদুদগী হৌখিবা অসান্টা সরাথ কমালদা লুপা লাখ ৫০ গী মনা পীগদৌরি। মহাক্লা শান্নমিন্নখিবা জি সাথিয়ানসু লুপা লাখ ৫০ ফংগদৌরি।

তোঙান-তোঙানবা সোসিয়েল মেডিয়া অমসুং ন্যু এজেন্সিশিংনা ফোঙদোরকপদগী মতুংইন্না মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিংদা অচৌবা শেনফম পীদুনা ইকাই খুম্নবা অসি চাং অমুক্কা হেন্না হেনগৎলবদি মখা তানা শান্নবগী লমদা লৈরিবা নহাশিংদা অহেনবা থৌনা পীগনি হায়না ফোঙদোক্লুরক্লি।

## মোনাকোবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেননা লীগে ৱান ফুটবোল লীগ ২০১৭–১৮ গী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



*লীগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*পেরিস, এপ্রিল ১৬ঃ*

ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগে ৱানগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা লীগ মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মোনাকাবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী অপুনবা রাউন্দ লোইগদবা মেটচ ৫ ৱাৎলিঙৈদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

লীগে ৱানগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেন ফুটবোল ক্লবদা মতম শাংনা শরুক য়ারম্লবা স্বিদেনগী শান্নরোই ইব্রাহিমোভিসনা ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াখ্রবা মতুং ক্লব অদুদা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব বার্সেলোনাদগী ব্রাজিল মচা নেমর শরুক য়ারকখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগে ৱানগী ৩৩শুবা লীগ মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মোনাকো লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমগী মনুংদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী জিওভানি লো সেলসোনা চনখি। মহাক্কী মতুং মিনট ২ লৈরগা টিম অদুমক্কী শান্নরোই এদিনসন কভানিনা অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি।

টিম অদুদা শরুক য়ারিবা আর্জেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা ১৯শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা মোনাকোবু য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ অদুগী পুংখায় ফাগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জিওভানি লো সেলসোনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মোনাকোবু ৪–০ দা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৭ খক ৱাৎলিঙৈদা পাঞ্জল ৪ শোখদুনা লৈরিবা মোনাকোগী মায়কৈদগী রোনি লোপেজনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মোনাকোবু ৪–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ১৩শুরকপদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবা এঞ্জেল দি মারিয়ানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মশাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুগা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মোনাকোনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা লীগ মেটচ অদুগী মাঙওইননা পোইন্ট টেবলদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মেটচ ৩২ দা পোইন্ট ৮৪ ফংলগা মোনাকোনা চপ মান্নবা মেটচ মশীং দা পোইন্ট ৭০ ফংখিবনি।

টিম অনীগী লম্বা অদুদা করিগুম্বা মোনাকোনা মায় পাক্লম্বদি মখা তানা লীগ অসিগী চথদুনা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা লীগে ৱানগী চেম্পিয়ন ওইবগী চপ চাবা পোইন্ট খঙনরমগদবনি।

ঙসি অঙনবগী মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ ময়ায় চনশিল্লবা ফাওবদা পেরিস সেন্ট জর্মেনা মোনাকোবু পাঞ্জল ৫–১ দা হেন্দুনা লৈখিবা মরম্না মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনখিবনি।

শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনকী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা মোনাকোগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা কাউশিল্লকপদা মোনাকোগী দিফেন্দর রাদামেল ফালকাউনা কাউথোকখিগদবা বোল অদু থকচিহন্দুনা পেরিস সেন্ট জর্মেনকী পাঞ্জল ওইদুনা স্কোর বোর্দতা মোনকোগী টিম ১–৬ তা শোখুনা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪ দা ঙাইরবা মতমদা পেরিস সেন্ট জর্মেনকী মায়কৈদগী জুলিয়ান দ্রেসলরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মোনকোবু ৭–১ দা মখোয়না থোইদুনা লীগে ৱানগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩৩ দা পোইন্ট ৮৭ ফংদুনা লীগে ৱানগী ট্রোফি অদু মখোয়না লৌখিবনি।

লীগকী শান্নগদবা মেটচ ৫ ৱাৎলবসু পেরিস সেন্ট জর্মেনকা খ্বাইদগী নক্লবা টিম মোনাকোবু ৭–১ দা থোইদুনা পোইন্ট ১৭ হেনবদগী মখা তারকপা মেটচ ৫ দা মোনাকোনা ৫মক থোইরবসু পেরিস সেন্ট জর্মেননা ফংলিবা পোইন্টদগী ২ শোখদুনা লৈগদবা মরম্না পেরিস সেন্ট জর্মেননা লীগে ৱানগী টাইটল অদু ঙন্না লৌবা ঙমখিবনি।

## স্পেনগী লা লীগাদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদনা মালাগাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে



*স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ১৬ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা মখোয়-মখোয়গী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মমিং লৈরবা স্পেনিস ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লা লীগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী লীগ অসিগী টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদনা মালাগাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মমাঙদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ভেলেন্সিয়াবু ইম্বুরম্লগা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

লা লীগাগী পোইন্ট টেবলগী মমৈদা লৈরিবা মালাগাগা চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদকা শান্নখিবা ৩২শুবা লীগ রাউন্দ অদুগী শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক পাঙ্গল মান্নবা লম্বা থেংনখি।

পুংখায় ফাগদবা মিনট অমদা ঙাইরবা মতমদা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ইস্কো অলার্কোননা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মালাগাগী টিম লা লীগাদগী রেলিগেট তৌদনবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নখিবনি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা পুংখায় হেনবগী মতম অদুদা রিয়েল মাদ্রিদনা মালাগাগী মায়োক্তা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। নাকল অমরোমদা মালাগানা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্লেলাইজর ফংবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা রাউন্দ অদুগী মমাঙদা পোইন্ট ৬৪ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা রিয়েল মাদ্রিদনা মেটচ অদু মায় পাক্লবা চঙশিল্লকপা খোঙথাংদা টিম অদুগী কাসিমিরোনা ৬৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা মালাগাবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

রিয়েল মাদ্রিদকী টিমগী মথক্তা ভেলেন্সিয়ানা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মাঙওইননা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। রিয়েল মাদ্রিদনা মালাগাগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী লোইশিল্লকপদা শান্নবগী ইনজুরি টাইমদা মালাগাগী দিএগো রোলাননা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা মালাগাবু ২–১ দা থোইখি।

পনবা য়াবদি রিয়েল মাদ্রিদতগী হান্না থাক অমা হেন্দুনা লৈরম্বা ভেলেন্সিয়াগী টিম থা অসিগী ১৪ গী অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরিবা বার্সেলোনাগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখিবা মরম্না রিয়েল মাদ্রিদনা মখোয়দগী পোইন্ট ২ হেল্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরিবা ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এ ফুটবোল লীগকী ৩২শুবা লীগ মেটচ অমদা মকোক থোংবা টিম ওইরিবা জুবেন্টসনা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী টিম্না মাঙজিল থাবগী মপাঙ্গল অদু হেন্না হাপচিনখি।

জুবেন্টস অমসুং সাম্পদোরিয়ানা শান্নখিবা সেরি এগী ৩২শুবা লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী মতম অয়াম্বদা পাঙ্গল মান্নবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অদুবু হাল্ফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা জুবেন্টসকী শান্নরোই মারিও মাঞ্জুকিকনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা সাম্পদোরিয়াবু ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

সাম্পদোরিয়াগী টিম লীগ অসিগী ৯শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। মখোয়না মকোক থোংবা জুবেন্টসপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ৭শুবা অমসুং ৮শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙম্নবা হোৎনরকপনি।

জুবেন্টসকী ভেনেদিখ হোৱেদেজনা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা সাম্পদোরিয়াগী পোজিসন হাইগৎপগী মঙলান নেমহনখি। মখা তানা শান্নরকপা মিনট ১৫ শুরকপা অপুনবা মেটচকী ৭৫ শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী সামী খেদিরানা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমদুনা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরগা জুবেন্টসকী টিম ইটালিগী সেরি এ লীগতা মেটচ ৩২ দা ২৭ মায় পাকপা ঙমখিবা, ৩ দ্রো চৎখিবা অমদি ২ মায়থিরবসু পুন্না পোইন্ট ৮৪ ফংলগা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈরিবা এসএসসি নাপোলিদগী পোইন্ট ৬ হেল্লগা লৈবা ঙল্লি।

সেরি এ গী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩২শুবা লীগ মেটচ অমদা এএস রোমা অমসুং লাজিওনা অহুমশুবা পোজিসন মুন্নবগীদমক লম্বা তৌনবদা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা মখোয়-মখোয়গী মায়োক্লবা টিমগী দিফেন্দরশিং নমথবা ঙমদনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

রোমাগী টিম্না লাজিওগা পোইন্ট ৬১। ৬১ দা মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা লাজিওনা হেনবদগী অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎলগা রোমানা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি।

## মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা দুসান লাজোভিসপু মায়থিবা পীদুনা মোন্টে কার্লো এটিপি মাষ্টর্স টেন্নিসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



*অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা মায়োক্লবা শান্নরোইনা য়ৈরকপা সোট অমা হন্নবা হোৎনবা*

*মোনাকো, এপ্রিল ১৬ঃ*

মালেমগী টেন্নিসকী ক্লে কোর্ট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা মোনাকোগী এটিপি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা নোভাক জোকোভিসনা টিমমেট দুসান লাজোভিসপু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা সর্ভিয়াগী শান্নরোই দুসান লাজোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট জোকোভিসনা লাজোভিসকী সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মহাক্কী সার্ভিসশিং হোল্ড তৌবা ঙমদুনা ৬–০ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা জোকোভিসনা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা শান্নবা ঙমখিবদগী লাজোভিসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী জেবেনেটিয়ুবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিককা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–২, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী এম ফুস্কোভিসপু ৬–৭(৪–৭), ৬–২, ৭–৫ দা থোইরম্বা রুশিয়াগী দি মেদভেদেভকা লম্বা তৌনরগনি।

মোন্টে কার্লো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী পি গোজেজিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

কানাদাগী মিলোস রাউনিকনা ১৪শুবা সিদেদ ওইদুনা অহানবা রাউন্দ শান্নরকপদা মোনাকোগী শান্নরোই লুকাস কেটারিনাবু ৩–৬, ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

মোন্টে কার্লো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্পেনগী শান্নরোই রামোস ভিনোলাসনা য়ুএসএগী জে দোনাল্ডসনবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বাই ফংদুনা লাকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই এম বেসিকপু ৬–৪, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্বা স্লোভেনিয়াগী এ বেদানিগা লম্বা তৌনরগনি।

লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী এফ মেয়রবু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা লাকখিবা ৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকা লম্বা তৌনরগনি।

জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই মিস্কা জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কানাদাগী এফ ওগরবু ৬–২, ৬–৭(৪–৭), ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী লুকাস পোলিগা লম্বা তৌনরগনি।

৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা অনীশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসপু ৭–৬(৯–৭), ২–৬, ৭–৫ দা থোইরম্বা রুশিয়াগী এ রুব্লেভকা শান্নরগনি।